থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কুম্মৈ, ঈরাং, শান্নবা অহুম্না অমত্তা ওইরকপা

য়াউশঙ' হায়বা কুম্মৈ অসি, মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ফুরুপনি খন্নরিবা 'মীতৈ' হায়বা ফুরুপসিগীদি খ্বাইদগী মরু ওইবা, অচৌবা কুম্মৈনি হায়বসিমদি য়েৎননিঙাই ওইররোই। মীতৈশিংগী য়াওশঙগা হিন্দুশিংগী হোলিগা করম্না অমত্তা ওইরিবা - কনাগুম্বা থিজিন-হুমজিন পামজবা, লাংতক্লবা নহা অমগীদমক্তদি অচৌবা হীরম অমা ওইখিগনি ঙসিসু।

হায়নৈ - য়াউশঙ হায়বা ৱাহৈসি 'য়াওন-শঙ' হায়নরম্বদগী থঙথরক্তুনা ওইখিবনি। লমদা থাগী থানিল (হিন্দুশিংগীনা ফালগুনগী পুর্ণিমা) নুমিৎ অসিদা সলাইরেন সিদবা অমদি লৈমরেন সিদবী অনীগী মপারি ওইনা, কংলাদা 'পাখংবা' তাইবং-ফাওরকখি। নুমিৎ অদুম 'য়াওন-শঙ' অমা শাদুনা মমা-মচা লেনমিন্নরল্লগা, নুমিদাংগী মতম য়ৌরকপদা শঙ অদু মৈ থাদোক্তুনা কংলৈ মীয়ামদা সলাইরেন সিদবা অমদি লৈমরেল সিদবী অনীগী মপারি অমা ফংজরে হায়বদু খঙহনখিবগী থৌরম অদুবু নীংশিংদুনা 'য়াউশঙ' মৈ থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

কোরৌ নুমিৎ মঙানিগী মতুং, তরুক্নি ঈ-পান পাঙথোক্লবা, মঙানিশুবা নুমিৎতা লাই ময়াম্না খোরী কৈথেলদা থোক্লক্তুনা পোৎ-চৈ লৈখিবগী থৌরম অদুবুনা 'লাই কৈথেল কাবা' হায়না খঙনখি। ওগ্রী হঙ্গেন চোংবা হায়না খঙনবা লৈবাক চাকহোং-ঙাহোংনবা, য়াইবী মরাং কায়নবা শকপা-শোনবা-শাবা নাৎকী জগোয় অসিনা য়াওন-শঙ (য়াউশঙ) গদি মরী লৈনদে। ওগ্রী হঙ্গেন চোংবদগী তপ্লা-তপ্লা থাবল চোংবা ওল্লকখিবা অমদি য়াউশঙ অমদি হোলি-কুম্মৈ শেক্তোক্লবা য়াদবা ঈরাং অমা ওইরকখিবা - শাংলবা খোঙচৎ অমন।

হোলি - হিন্দু লাইনিং চৎচবা মীশিংগীসু মরু ওইবা লাইনিং-লাইশোলগী কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসি করিগী পাঙথোক্লিবনো, সিগ্নি ফিকেন্স করিনো হায়বনচিংবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা মান্নবা



ৱারী লৈ। লোইনমক পাউদমসিদা কোনশিঞ্জররোই। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরমগা মরী লৈনবা অনীখক্তি তঙাইফদনা নিংশিংজনিংই। অহানবা ৱারী, শ্রীমদ ভাগবতমগী তরেৎশুবা পন্দুপ্তা য়াওরিবা 'হিরন্য-কশিপু'অমদি মপারী 'প্রহলাদ' অনীগী ৱারীদা য়াওরিবা, হিরন্যাকশিপুগী মচন-ইবেম্মা হোলিকাগী ৱারীনি। মশানা মশাবু খ্বাইদগী পাঙ্গল লৈরবা, শিবা নাইরোইদবা, হাৎপীনবা লৈত্রবা নিংথৌ অমনি খঞ্জরদুনা, মাগী মীয়ামশিংদা মহাকপু লাই ওইনা লাৎননবা থৌদাখি। য়াথং অদু মপারী ঈবুংঙো প্রহলাদনা য়াখিদে। শ্রীহরি (বিষ্ণু) বু খ্বাইদগী অথোইবা লাইনি য়েৎখি। হায়বা ইন্দ্রবা মচাবু হাৎননবা মওং কয়াদা হোৎনবদা মায় পাক্লক্ত্রবদা মচন্নুপী হোলিকানা প্রহলাদবু মতম্পাক্তা ফমহল্লগা অচৌবা মৈগী কুন্দ অমা শেল্লগা মৈজাউদুনা প্রহলাদপু উৎ ওলহন্নবা থৌরাংখি।

নোংদম্বগী নোংদমখোলনা অমনি। হোলিকাবু য়োল্লিবা মৈ চঙদবা ফি অদুনা প্রহলাদপু য়োল্লক্তুনা, অঙাংদুবু কল্লগা হোলিকা ওইনা থৱায় মাঙখি। ফত্তবগী মথক্তা অফবনা মায় পাকপগী পাউজেল পুবা ৱারী অসি নিংশিংনবা হোলিকাগী মিং লৌদুনা হোলি কুম্মৈ পাঙথোক্লখি। অদুগা হোলি কুম্মৈবু মচুগী কুম্মৈ ওইখিবগী ৱারীসিনা অমনি। মখুরাদা পোক্লগা গোকুলদা চাউরকখিবা ঈবুংঙো শ্রীকৃষ্ণন মথোৎ কারকঙৈ, শকহেনবী রাধাগী নিংথিজবী মায়থোঙদুবু মিতাজখি। অমঙবা নোংগী মচুবু ঙমজবা কুচুদুগী খনবদা, রাধা অমদি মতারোয়শিংনা তাথি-তাথিনা করেম্নবীরকক্ত্রা খন, মনাক নকচবা ঙমখিদে। মচা ঈবুংঙোগী পূক্নিংগী অৱাবদু কোক্লবা, মমা যসোদানা শ্রীকৃষ্ণনা হায়খি 'তঙৌ তঙৌবী নিংথিজবী রাধাগী মায়থোংদু মচু তৈশিন্দুনা থীহল্লু, তনান-তনানবা ইন্নফিদুসু মচু শঙলবা ঈশিং চাইশিন্দুনা মোৎহল্লু।'

অঙকপা মমাগী লাইপাউনি। থৌওংদুনা 'নুংশি নুংওল কাইহৌবা, নুংশি মরী চেৎহনবগুম থোকখরে। নুমিৎ অদু ফাওগুনগী পুর্ণিমা মতুং নোংমা কোনবনি। ঐখোয়না মদুবু 'পিচকারি নুমিৎ' মিঙৌনৈ। ওন্থোকপনি 'মৈতৈ লৈবাক-মৈত্রবাক।' য়াওন-শঙ মৈথাবা, হোলিকাবু মৈ থাবা, ওগ্রী হঙ্গেন (থাবল) চোংবা, কৃষ্ণ-রাধাগী মচু তৈনবা- চাইনবা-পুম্নমক পুল্লপ পুনশিনখ্রে। ধন-ধোলোক-পেদ দ্রম, মীতৈ ঈশৈ - হিন্দি ঈশৈ-রোক ম্যুজিক পুম্নমক অমত্তা ওইখরে। নোংমখক পাঙথোক্লগা মপূম-ফাবা, ৱাহন্থোক ফোঙবা কুম্মৌদু নুমিৎ মঙানি পাঙথোক্তুনা কুম্মৌগী মিংদা ঈরাং পাম্বা ফুরুপনি তাইবঙসিদা উথোক্লককখি। মশা মশাগী লৈজবা মরলনা পাঙথোকপা কুম্মৈ নত্তবা, যুমথোঙ খুদিং চঙদুনা নিবগী কলচর অমা অঙাংশিংদা শেমগৎলকখি। ঈনখৎলকপা নুপীমচাশিংবু লম্বী অচৎ-অওকশিংদগী নমদুনা শেল মুল্লগা চাক চানবা-থাবল চোংবা হৈহনখি। ইন্দিজিনস কলচর অমবু হিন্দুনাইজদা-হাইব্রিদ কলচর ওন্থোকখি। তপ্লা-তপ্লা চাউথোরক, অপীকপা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাউবা ফেষ্টিবেল ওইরকখি। ষ্টেট ইকনমিদা খ্বাইদগী চাউনা শোকপা কুম্মৈ 'হোলি ফেষ্টিবেল' ওইরকখি। নুমিৎ মঙানি চুপ্পা, নুপী - অঙাং-নহা-অহল পুম্নমক থবক শিন্থা লেপহন্দুনা ঈরাংদা চাউহল্লগা চাউখৎ-খোঙচৎ মনিং হল্লকপা অদু নাথৈনবা, শান্নবদা মায় ওনশিনহন্নবা, তুংলমচৎ উবা ইরাবতকী থৌশিল অদু ২০শুবা চহীচাগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা 'য়াউশঙ স্পোর্টস' হায়বা শক্লোন অমা লৌরক্তুনা শান্নবগী ঈহৌ অমা ওইরগদ্রা খন্নখি।

চুম্মী, 'য়াউশঙ স্পোর্টস' ঈহৌ অমগুম্বনি। মণিপুরগী তম্পাক-লম শিনবা থুংনা য়াউশঙ স্পোর্টস পাঙথোক্লুরক্লে। অদুবু, অৱাবদি মৈরৌ হেঞ্জিনখ্রবা য়াউশঙগী ঈরাংবুদি শান্নবগী ঈহৌ ওন্থোরকপা ঙমখিদে। নুপী-নুপা, অঙাং-অহল, পাখঙ-লৈশা হান্নগুম লুপ্পি য়াউশঙগী ঈরাং-ঈপাক্তা। 'য়াউশঙ স্পোর্টস' - ঈরাংদুগী অতোপ্পা মশা অমা ওইরক্লে। য়াউশঙ স্পোর্টস, স্পোর্টিং স্পিরিট য়াওদবা, লিজর্লি স্পোর্টস (মতম লেন্নবা শান্নবা) গী কুম্মৈ ওইরকপসিমদি তশেংনা লাইবক থীবনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেঞ্জিল্লকপা



তোঙান-তোঙানবা মরম কয়াদগী মালেমদা অঙাং-অশাগী খল কায়রকপগা লোয়ননা ঈশিং-নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটিশিংগী মনুংদা দিল্লিসু অমনি। দিল্লিদা হৌজিক খুদোংথি-নিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অমদি লৈচিল থাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎনবা সুপ্রীম কোর্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রে। নবেম্বর ৮ দা ইনভাইরোনমেন্ট পোল্যুসন (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল) ওথোরিটিনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা চীফ জষ্টিস টি এস থাকুরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, দিল্লিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী থৌওং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরে। থৌওং অসিবু পব্লিক হেল্‌থ ইমর্জেন্সি ওইনা লৌবগা লোয়ননা খুদক্তা সেন্টরনা দিজাষ্টর রেস্পোন্স মেকানিজম অমা পুথোক্তুনা এয়র পোল্যুসনগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা, নেসনল গ্রীন



ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি) না দিল্লি, পঞ্জাব অমদি হরিয়ানা গভর্ণমেন্টপু এয়র পোল্যুসনগী চাং হেনগৎহনবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। এন জি টিনা হায়খি, কেপিটেল সিটিদা মখা তানা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎপা য়ারোই। রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমদি দিল্লিদা মহৈ-মরোং লোকখ্রবা মতুংদা লৌবুক্তা মৈ থাবগী থৌওং চথুবা য়ারোই। ষ্টোন ক্রশর শীজিন্নবা য়ারোই অমসুং অমোৎ অকায় পৈশিল্লগা মৈ থাবগী থৌওং চথুবা থিংলে। অথুবা মতমদা রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমদি দিল্লিনা চীফ সেক্রেটরি থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা এয়র পোল্যুসন কোকহন্নবগী মতাংদা সোল্যুসন পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়নসু এন জি টিনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিদা হৌজিকসু এয়র পোল্যুসনগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইরি হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি) না ফোঙদোকখি। দিৱালি কুম্মৈ লোইখ্রবা মতুংদা কা হেন্না নুংশিৎ মোৎশিল্লকপদগী গুরগাওদা মহৈরোয়শিং ক্লাসরুমদা মাস্ক উপ্লগা লাইরিক তম্বগী ফীভমদা লৈরে।

মহৈরোয় অমনা ফোঙদোক-খিবগী মতুংইন্না নুংশিৎ মোৎশিল্ল-কপদগী নিংশা শ্বর হোনবদা অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা মীৎ হাকৎচবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে হায়রি।

দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ময়েক শেংনা উবা ফংলক্তবা মরম্না হৌখিবা নবেম্বর ৬ তা নুমীৎ হুম্নী স্কুল ছুটি থারগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লাউথোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, দিল্লিদা য়ুম শাবা অমসুং শিদোকপগী থৌরাং লৌখৎপা য়ারোই। হোস্পিটাল অমদি অতৈ তঙাইফদবা মফম খরখক নত্তনা দিজল জেনরেটর সেট শীজিন্নবা য়াররোই। নবেম্বর ১০ দগী লম্বী পুম্নমক ৱাই শিৎপগী মহুত্তা ভেক্যুম ক্লিনিং তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা কনাগুম্বনা অমোৎ অকায় পৈশিল্লগা মৈ থারম্বা থেংনরবদি অকনবা চৈরাক পীগনি হায়না লাউথোকখি।

নুমীৎ ১০ নি চুপ্পা বদরপুর প্লান্ট থোঙ লোনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ওদ-ইভন স্কিম অমুক হন্না চৎনহল্লগনি হায়রি। খুদোংথিবা মায়োক্লরকপা য়াবা মরম্না চহী নৌরিবা অঙাং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং হার্ট নৎত্রগা লংসকী লায়না লৈবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ ইমুংদগী মপান থোক্লোইদবনি হায়নসু কেজ্রিৱালনা লাউথোকখি।

অমরোমদা, গভর্ণমেন্টনা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং খুদক্তা লৌখৎকদবনি হায়না জন্তর মন্তরদা খোঙজং চঙশিনখি। চহী ১৭ কী মনুংদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী মীয়াম্না এয়র পোল্যুসনদগী ঙাকথোক্লবগীদমক এয়র মাস্ক লৈনখিবনা দুকান অয়াম্বদা মাস্ক অমত্তা লৈহৌদ্রে হায়রি।

দিৱালি কুম্মৈ মতুং তারকপদা দিল্লিগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপদগী হেল্‌থ এক্সপার্ট-শিংনা চেকশিন-ৱারোল পীরদুনা হায়খি, কনাগুম্বনা মশা-মউ ফনা লৈনিংবা তারবদি মতম খরা দিল্লিদগী লাপ্না অতোপ্পা মফম অমদা লৈরুগদবনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা ফীভম ফগৎলকপগী মমি উদবা মরম্না য়ুমথোঙ খুদিংদা এয়র প্যুরিফায়র শীজিন্নগদবনি অমসুং চৎথোকপদা অফবা মখলগী ফেস মাস্ক অমা উপকদবনি হায়নসু হেল্‌থ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি।

নুংশিৎতা য়াওবা কেমিকেল অমসুং ফৎতবা টোক্সিননা মমাগী পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অমসুং পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংদা দাইবেটিস, কেন্সর অমসুং অতৈ লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই হায়রি। মেটাবোলিজম মপুং ফাদ্রিবা অঙাংশিংদা এয়র পোল্যুসননা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপগা লোয়ননা তুংগী পুন্সিদা অজমা ওইহল্লকপা য়াই।

চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না মীওইবগী রেস্পিরেটরি সিষ্টেম, ইম্যুন সিষ্টেম অমসুং অতৈ কয়াৎশিং মথৌ হন্থরকই। মরম অদুনা অহলশিংদা এয়র পোল্যুসন্না হার্ট অমদি লংসকী লায়না ওইহল্লকপা য়াই।

মতম চুপ্পা নুংশিৎ মোৎতুনা লৈবা মরম্না লম্বী মপাল নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিয়ল এরিয়াদা য়ুম শাদুনা লৈবা মীওইশিং কেন্সর, হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক অমদি অজমাটিক ব্রোঙ্কাইটিসকী রিস্ক মায়োক্লৈ।

# পাৎশোই এ সীগী ভোট মশীং নৌনা থিনবা এন ঈ আই দি পিনা ঈ সী আইদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ভোট মশীং থিবদা চিংননিঙাই ওইবা থবক কয়া চথুখিবনা এ সী অসিগী ওইনা রি-কাউন্টিং তৌবীয়ু হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) গী প্রসিদেন্ট এন সমরজিৎনা ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা ৱাকৎখ্রে।

এন ঈ আই দি পিগী মায়কৈদগী ঈ সী আইদা পীখিবা ৱাকৎ-চেরোল অদুদা পল্লিবা মপূং ওইবা ৱাফমশিংদি, ভোট মশীং থিবদা পাৎশোই এ সীগী ওইনা চিংননিঙাই ওইবা কয়া চথুখ্রে। এ সী অসিদা এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ ওইরিবা এস কুঞ্জকেশ্বর (কেবা) না মায় পাক্লে হায়না টি ভি চেন্নেল অমদসু লাউথোক্লুবা লৈখ্রে। মসিগী রেকোর্দিংনচিংবা কয়াসু লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসি লৈবনা পাৎশোই এ সীগী ভোট মশীং নৌনা থিবীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফম য়াওরি।

অমরোমদা পাৎশোই এ সীগী ওইনা ভোট মশীং থিবদা চিংনবা য়াবা মওং কয়া চথুখিবনা এ সী অসিগী ভোট মশীং নৌনা থিহন্নিংই হায়না এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ ওইখিবা সাপম কুঞ্জকেশ্বর (কেবা) না পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এন আই দি পিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এস কুঞ্জকেশ্বরনা হায়খি, তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগী ওইনা পাৎশোই এ সীগী ভোট মশীং থিবা নুমিৎতা চিংনবা য়াবা থবক কয়া চথুখি। পোষ্টেল বেল্লোট থিবা লোইদ্রিঙৈদা ঈ ভি এমগী ভোট মশীং থিবা হৌজিনখি। চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না পোষ্টেল বেল্লোট থিবা লোইরবা মতুংদা ঈ ভি এমগী থিগদবনি।

ভোট মশীং থিবা নুমিৎ অদুদা পাৎশোই এ সীগী ওইনা এন আই দি পিগী মীরেপকী কাউন্টিং এজেন্টনা কাউন্টিং হোলদা চঙথোক-চঙশিন তৌবদা অপনবা কয়া পীরকখি। অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী কেন্দিদেটকী এজেন্টশিংদি চঙথোক-চঙশিন তৌবদা অথিংবা পীবা থেংনদে। করিগীদমক পাৎশোই এ সীগী এন আই দি পিগী কাউন্টিং এজেন্টনা চঙথোক-চঙশিন তৌবদা অপনবা পীরিবনো হায়বা ৱাফম লাকই।

পাৎশোই এ সীগী ওইনা অহুমশুবা রাউন্দগী ভোট মশীং থিবা লোইখ্রবা মতুং মরিশুবা অমদি মঙাশুবা রাউন্দগী ভোটমশীং থিবগী ৱাফম মাইকতা লাউথোরকখিদে। টি ভি চেন্নেল অমদদি এ সী অসিগী ওইনা এন ঈ আই দি পিগী মীরেপনা মাঙজিল থারে হায়না ফাওবা লাউথোকপা লৈখিবনি।

চিংননিঙাই ওইবা মওং কয়া থেংনখিবনা মরম ওইদুনা পাৎশোই এ সীগী ভোট মশীং থিবা অসি অমুক হলহন্নিংই। হীরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়াদসু চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এন ঈ আই দি পিগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# ইন্টরনেসনল রিভরস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস) :

সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি, মণিপুরনা সিটিজন কন্সর্ন ফোর দামস এন্দ দিভলপমেন্ট, সিবিলোং ভিলেজ ওথোরিটি অমদি তৌবাম ভিলেজ ওথোরিটিগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সিবিলোং ভিলেজ অমদি তৌবাম ভিলেজদা থা অসিগী ১৩ অমদি ১৪ দা ইন্টরনেসনল রিভরস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি, মণিপুরগী সেক্রেটরি জিতেন য়ুম্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লেট অৱার রিভর ফ্লো হায়বা থীমদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা ইন্টরনেসনল রিভরস দেগী থৌরম পাঙথোকপনি। ইন্টরনেসনল রিভরস দে থৌরমগী অহৌবা নুমীৎ থা অসিগী ১৩ দা সিবিলোং ভিলেজদা কম্যুনিটি প্রোটেষ্ট মীট অমসু পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা টিপাইমুখ দাম, পাৱম দাম, খোংনেম চখা দাম, ওইল এক্সপ্লোরেসন, ট্রান্স এসিয়ান রেলৱেগী থবক্লচিংবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। সিবিলোং ভিলেজগী গাইলুংপাও গোলমৈনা রোংমৈ মীয়ামগা তুরেলগা লৈনবা মরীগী মতাংদা ফোক সোং শকখি। সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসিগী সেক্রেটরি জিতেন য়ুম্নামনা টিপাইমুখ দাম অমদি পাৱম দামনচিংবা শারকপদা পীরক্কদবা চৈথেংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। মহারাবি কাংজম, চাইল্ড রাইটস এক্টিভিষ্ট অমদি কন্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটসকী চ্যেরমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সমসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখি।

থা অসিগী ১৪ দা তৌবাম ভিলেজদা কম্যুনিটি প্রোটেষ্ট মীট অমসু পাঙথোকখি। তৌবাম ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন রাংথিয়ু কামৈনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখি। হোমেন থাংজমনা, দামনা এনভাইরো-মেন্টতা পীবা চৈথেংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়নসু মখা তারি।

# ট্রেনিং পাঙথোক্লদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা এ সীশিংগী কেন্দিদেট অমদি ইলেক্সন এজেন্ট ওইখিবশিংগী ওইবা নোংমগী ওইবা ফেসিলিটেসন ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা মথং থাগী ৩ দা পঞ্চায়ট ভবন, দি সী কমপ্লেক্স পোরোম্পাৎতা পাঙথোক্লনি হায়না দি ঈ ও ইম্ফাল ইষ্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

একাউন্ট রি-কন্সিলিএসন মীটিং অমসুং মথং থাগী ৬ তা দি সী ওফিসল কমপ্লেক্স পোরোম্পাৎতা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পাঙথোক্লনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# 'রন্নরস অপতা গোল্ড মেদল পীরে'

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস) :

মণিপুর অমদি গোৱাদা রন্নরস অপতা গোল্ড মেদল পীরে হায়না এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যনা ঙসি লোক সভাগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লোক সভাগী মীফমদা দিমান্দ ফোর গ্রান্ট খন্নরকপদা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. মৈন্যনা হায়খি, ইন্দিয়ন রেলৱে সিষ্টেম অসি গোৱা অমদি মণিপুরদা তোপ তোপ্পা মওং অমদা থন্বীরে। মণিপুরদা হৌজিক ফাওবা ট্রেন শম্নদ্রি। গোৱাদসু কোনকান রেলৱে কোর্পোরেসন্না ট্রেন চলাইরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লী মীখলদা উত্তর প্রদেশ অমদি উত্তরখন্দদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংখি। পঞ্জাবতনা কোংগ্রেসনা এবসোল্যুট মেজোরিতি ফংখি। মণিপুর অমদি গোৱাদা কোংগ্রেসনা সিঙ্গর লার্জেষ্ট পার্টি ওইখি। বি জে পিনা অনীশুবা তাখি। অদুবু মণিপুর অমদি গোৱাদা বি জে পিনা লৈঙাক শেমখ্রে। মসি রন্নরস অপতা ৱিন্নরস ট্রোফি গোল্ড মেদল পীবগী মওংনি হায়নসু মখা তাখি।

ডা. মৈন্যনা মখা তারদুনা হায়খি, জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে প্রোজেক্ট অসি নেসনল প্রোজেক্ট অমা ওইনা কুমজা ২০০৫ তা উরেপ উয়ুং তমখি। প্রোজেক্ট অসিদা অহানবদা কুমজা ২০১০ দা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লম্বনি। অদুবু কুমজা ২০১৭ য়ৌরবা ফাওবদা প্রোজেক্ট অসি হৌজিক করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু য়েংবা চঙই হায়নসু মখা তাখি।

# খোংনাংথাবদা থৌনিখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস) :

ডা. হাওবা নোংলেনখোম্বা লৈশেম পাথৌগী লুচিংবা অসিনা কংলাগী তাইরেন শিদা মখোঙদা চিংঙু খোংনাংথাবনা লাংওনখিবা নুমীৎ লমতাগী ১৫ নি পানবদা হৈ-লৈ, মৈরা কৎতুনা থৌনিখ্রে। ইপুথৌ পাখংবগী লাংওন মপোক ওইখিবা নুমীৎ অসিদা ইপুধৌ পাখংবগী শঙলেনদসু য়াইফ থৌনিখি হায়না লৈশেম পাথৌগী চেরোল অমনা হায়রি।

# লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস) :

নোংচুপ হারম খোর্জৈলূপ নোহাখোলনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯ দা লূপ অসিনা চহী ১ চুপ্পা পাঙথোক্লিবা লাইরিক ফোঙবা অমসুং নৈনবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা ওজা অহুমনা ইবা লাইরিক অহুম তাঙ্কক অনী থোক্লা ফোঙবগী থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা পাঙথোক্লনি হায়রি। থৌরম অসিদা অইবা, অইবীশিং, খোরিরোলবু নুংশিবা মীয়াম্না মতম চানা লাকপীদুনা শরুক য়াবী হায়না হায়না তোংৱম শামুঙৌ, জেনরেল সেক্রেটরি, নোহাখোলনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ষ্টেট অসিগী কেবীনেট মিনিষ্টরশিং থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাক্লবগী ৱাশক লৌখিবা



নোংথোম্বম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুংদা অহানবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতা লৈবা সী এম ওফিসতা ফম্বগী শক্তম



লংথবাল এ সীদগী কারকখিবা কে শ্যামবু মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কেবীনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌবা



থোংজু এ সীদগী কারকখিবা টি ঐচ বিশ্বজিৎপু গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কেবীনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌবা



কৈশামথোং এ সীদগী কারকখিবা এল জয়েন্তকুমারবু গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কেবীনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌবা



এন পি এফতগী কারকখিবা এল দিখোবু গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কেবীনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌবা



অন্দ্রো এ সীদগী কারকখিবা টি ঐচ শ্যামকুমারবু গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কেবীনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌবা



এন পি পিদগী কারকখিবা লেটপাও হাওকিপপু গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কেবীনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌবা



এন পি পিদগী কারকখিবা এন কাইশিবু গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কেবীনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌবা